# যুক্রেনগী লান: পার্সিএল মিলিটরি মুবিলাইজেসন হৌরে হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা লাউথোকখ্রে



মোস্কো, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): যুক্রেনগী লান থা তরেৎলোম শুরকপা অমদি লানফম কয়াদা মোস্কোনা মায়থীবা নঙলকপগা লোয়ননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা রসিয়াদা পার্সিএল মোবিলাইজেসন হৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

পুটিননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা লৈবাক অসিগী টেরিটরি ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং য়াওনা পান্থে খুদিংমক শীজিন্নগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখ্রে।

রসিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা পুন্না রিচাব্রিস ৩,০০,০০০ লানগীদমক্তা শেম শানবা কৌখৎকনি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা লৈবাক মীয়ামদা টেলিভিজনগী খুথাংদা মাঙজেননা রেকোর্দ তৌরবা ৱারোল অমা পীখিবদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবনি। মদু যুক্রেনগী খা অমসুং নোংপোক থংবা রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা লমদমশিংবু রসিয়াগী শরুকশিং ওইহনবগী মতাংদা রিফরেন্দম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখিবা মতুংদনি।

অমরোমদা, ন্যু য়োর্কতা পাঙথোকখিবা যুএন জেনরেল এসেম্বলিগী অখন্নবা মীফমদা মোস্কোনা রিফরেন্দমগী থৌরাংশিং অদুগী মতাংদা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখিবগা ইরোয়ননা প্রসিদেন্ট পুটিননা ৱাফমশিং অসি লাউথোরক্লিবনি। ক্রেমলিননা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা যুক্রেনগী লমদম মরি অদুবু রসিয়াগী শরুকশিং ওইহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিনা যুক্রেনগী লান হেন্না কনশিলহল্লক্লগনি হায়না থাজনরি।

খোঙথাংশিং অসি যুক্রেননা রসিয়ন ফোর্সশিংগা শোক্লবা লানফম কয়াদা মায় পাক্লকখিবা মতুংদা লাক্লিবনি। পুটিননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু ন্যুক্লিয়র ব্লেক মেলগী থৌওং চথে হায়না মরাল শীখি অমসুং নাটোগী মরু ওইবা লৈবাক খরগী অৱাংবা থাক্কী রিপ্রজেন্টটিবশিংনা রসিয়াগী মায়োক্তা পাকশন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং ফাওবা শীজিন্নবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং পনখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি রসিয়াগা মরী লৈননা অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লিবশিংদা ঐহাক্না খঙহল্লিবদি ঐখোয়গী লৈবাক্কীসু অসিগুম্বা মওংদা মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা অমদি মীশি মীনা থোকহনবা ঙম্বা মখল কয়াগী পাম্বৈশিং লোয়ননা নাটো লৈবাকশিংদা লৈরিবশিংদগী হেন্না মতমগা চুন্নরবা তোঙানবা কম্পোনেন্টশিংসু লৈ হায়বসিনি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিদা অকিবা পোকহল্লকপা মতমদা ঐখোয়গী টেরিটরি অমদি মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না অৱৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নগনি হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা মখা তারদুনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা পার্সিএল মোবিলাইজেসনগী দিক্রি অমা মহাক্না সাইন তৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি। পার্সিএল মোবিলাইজেসনগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি রিজার্বতা লৈরিবা সিটিজনশিংদমক এক্তিব সার্ভিসতা শীজিন্ননবা রিক্রুট তৌগনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুনা টেলিভাইস ইন্টরভিয়ু অমদা শুপ্নগী মতিক চাবা কন্থেট অমসুং সার্ভিসকী এক্সপরিয়েন্স লৈবা সিটিজনশিংদমক মোবিলাইস তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা রসিয়ন লান্মী ৫৯৩৭ শিখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# প্রসিদেন্টনা সিটিজনশিপ বিল সর্টিফাই তৌদবদগী নেপালদা পোলিটিকেলগী মুক্নবা কয়া লাক্কদৌরি



কাঠমান্ডু, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): নেপালগী প্রসিদেন্ট বিদ্য দেবী বন্দারিনা সিটিজনশিপ বিল ওথেন্দিকেট তৌ হায়বা য়াদবদগী লৈবাক অসিগী পোলিটিক্সতা রুল্লিং কোলিসন অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা মুক্নবা কয়া লাক্কদৌরি হায়রি।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবস অমসুং নেসনেল এসেম্বলি অনীমক্না পাস তৌরবা বিল অদুগী পান্দমদি নেপালদা সিটিজনশিপ পীদনা লৈরিবা মীওই লিশিং চা কয়াদা সিটিজনশিপ পীবনি। হৌজিক ওপোজিসনদা লৈরবা নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি (যুএমএল) গী সেনিয়র লিদর ওইরম্বা বন্দারিনা লেজিসলেসন অসিগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা লৈরিবনি।

যুএমএল অসি হৌজিক্কী সের বহাদুর গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লিবা বিল অদুগী মায়োক্তা লৈরিবনি। প্রসিদেন্টনা বিল অদুবু সর্টিফাই তৌ হায়বা য়াখিদ্রবা মতুংদা রুল্লিং কোলিসন্না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা থোক্লকখিবা ৱারোল অমদা বন্দারিনা বিল অদুবু সর্টিফাই তৌবগী ৱাফম য়াদ্রিবদু ফেদরেল পার্লিয়ামেন্টবু ইকায়বা নঙহনবা অমদি মসিগী চাং তাহনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নেপাল্লি কংগ্রেস, সিপিএন (মাওইষ্ট সেন্টর), সিপিএন (য়ুনাইটেদ সোসিএলিষ্ট) অমসুং জনতা সমাজ ৱাদি পার্টিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা রুল্লিং কোলিসন্না কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়রিবা খোঙথাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি।

মখোয়না হায়খি, মদুদি প্রসিদেন্ট বন্দারিগী ৱারেপ অদুনা কন্সটিট্যুস্নেল প্রোভিজন ভাইওলেট তৌই। রাষ্ট্রিয়া জন মোর্চা পার্টি খক নত্তনা রুল্লিং কোলিসনগী পার্টি মরিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীখি। প্রসিদেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইরিবা থৌওং অমা চথরক্লিবা অসিনা মীয়াম্না ভোট পীদুনা থাগৎলিবা মেম্বরশিংনা শেম্বা ফেদরেল পার্লিয়ামেন্টকী চাং তাহল্লি অমদি মসিবু ইকায়বা পীরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

প্রসিদেন্টগী খোঙথাং অসিনা নেপাল্লিশিংগী মচা মশুশিংগী সিটিজনশিপ ফঙজনবগী কন্সটিট্যুস্নেল রাইট অদু লৈহন্দ্রে হায়না পার্টিশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মখোয়না প্রসিদেন্ট বন্দারিবু কন্সটিট্যুএন্ট এসেম্বলিনা চৎনহল্লিবা কন্সটিট্যুসনগী বেসিক ভেল্যুশিংবু শীংনরে হায়নসু মরাল শীখি। কন্সটিট্যুস্নেল প্রোভিজনগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্টনা লেজিসলেসন অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা ওথেন্দিকেট তৌগদবনি।

# টুনিসিয়াগী এক্স পিএম অলি লারায়দপু দিটেন তৌখ্রে

টুনিস, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): সিরিয়াদা জিহাদিষ্টশিং ফাখি হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টুনিসিয়াগী প্রোজিক্যুসন সার্ভিসনা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অলি লারায়দপু দিটেন তৌখ্রে।

সিরিয়াদা জিহাদিষ্টশিং ফাখি হায়বগী চিংনবা লৈবদগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ইনভেষ্টরশিংনা লরায়দপু পুং কয়া চুপ্পা ৱাহং পাউহং চথরক্লবা মতুংদা ইনহাদা পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মহাকপু দিটেন তৌননবা প্রোজিক্যুটরশিংনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না লরায়দকী উকিল সামিল দিলৌনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩ দগী ২০১৪ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা লরায়দ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কেপিটেল টুনিষ্টকী জুদিসল সেন্টর ফোর কম্বেটিং টেররিজম (পি ও এল ই) গী জজকী কোর্টতা পুথোক্কনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা দিলৌনা ফোঙদোকখি। উকিল অসিগী মতুং ইন্না কেস অদুমক্তদা ইনহাদা পার্টিগী লিদর অমসুং মুখৎখ্রবা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর রাসিদ গানহৌসিবুসু কোর্ট অমনা হিয়ারিং চথরগনি।

# ইভোলা শন্দোরকপদগী সাউথ সুদানগী মীয়াম মীকুপ-নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রে

যুবা, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): য়ুমথংনরিবা যুগান্দাদা ইভোলা লাইচৎ শন্দোরকপদগী সাউথ সুদানিষ্ট গভর্ণমেন্টনা বোর্দর পরিংদা চেকশিন থৌরাংশিং হেনগৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থগী অন্দর সেক্রেটরি ভিক্তোরিয়া অনিস মাজুরনা যুগান্দা অমদি দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দি আর সি) দা লৈরিবা কম্যুনিটিশিংদা চিঙননিংঙাই ওইবা কেস থেংনরবদি মদুবু হেল্থ ওথোরিটিশিংদা রিপোর্ট তৌননবা পাউতাক পীখ্রে।

যুবাদা জর্নেলিষ্টশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মাজুরনা হায়খি, মদুদি বোর্দর লোন্নবনা মরম ওইদুনা য়ুমথংনরিবা যুগান্দাদা ইভোলা শন্দোরক্লিবসি ঐখোয়না লুনা লৌই। ঐখোয়গী মীয়াম বোর্দর ফাওদুনা চৎথোক চৎশিন কয়া তৌই। যুগান্দাদা ঐখোয়গী ইমুংশিং লৈ অমদি যুগান্দান কয়াসু ঐখোয়গী লমদা লৈরি।

অন্দর সেক্রেটরি অসিনা মীয়ামদা ইভোলা লায়না অসি শা ষণদগী মীওইবদা শন্দোকপা মরম্না উমংদগী ফাবা শা চাবা লেপ্পবসু আপিল তৌখি। মাজুরনা মখা তারদুনা দিআরসি অমসুং যুগান্দা অনীমক্না লোন্নরিবা য়াংবিও অমসুং নিমোলেগী বোর্দর এরিয়াশিংদা নেসনেল এসেসমেন্ট টিমশিং দিপ্লোই তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নোর্থ কিবু প্রোভিন্স সিটিগী বেনি সিটিদা মশাগী চহী ৪৬ শুরবী নুপী অমা ইভোলা কেসতা পোজিটিব ওইরম্বদগী ইভোলা লাইচৎ লাক্লে হায়না দি আর সি গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ২১ দা লাউথোকখি। মাজুরগী মতুং ইন্না ইভোলা ভাইরসকী লায়না অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু পাকশন্না ৱাখল তাহন্নবগীদমক মখোয়না য়ুনিসেফকা খুৎশম্নদুনা কেম্পেইন চথরগনি।

সাউথ সুদানগী এক্তিং দল্লিয়ু ঐচ ও রিপ্রেজেন্টেটিব ফাবিয়ান দেজাকোনা হায়খি, মদুদি হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ইভোলা ভাইরসগী লায়না অসিগীদমক মেনেজমেন্ট সিষ্টেম মাঙজৌননা মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে। বোর্দর লান্না মীয়াম্না চখোক চৎশিন য়াম্না তৌবনা ইন্সিদেন্ট মেনেজমেন্ট সিষ্টেম এক্তিভেট তৌরিবসি য়াম্না মরু ওইরবা খোঙথাংনি। সাউথ সুদানদা লায়না অসিগী কেস অমত্তা লৈত্রবসু লাইচৎ থোক্লিবা লৈবাক্কা য়াম্না নক্লবনা ঐখোয়না শেম শাবা মথৌ তাই হায়না দেজাকোনা মখা তাখি।

# ফ্রান্সনা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা পাকিষ্টানগী ইকনমি হিংগৎহনবদা মতেং পাঙগদৌরি



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা চাওনা অমাঙ অতা থোকহল্লবা পাকিষ্টানগী ইকনমি হিংগৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু নৌনা শেমগৎ শাগৎপদা ফ্রান্সনা চহী অসিদা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা মতেং পাঙগদৌরি।

জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, পাকিষ্টানগী পিএম সেহবাজ সারিফ অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা যুএন জেনরেল এসেম্বলি (যু এন জি এ) গী ৭৭ শুবা সেসনগী নাকোয়ননা উন্নখি।

বাই লেটরেল মরী ফগৎহনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবদা নত্তনা লুচিংবা অনীনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকহনবা শাথিরবা ঈচাও মতুংদা পাকিষ্টানগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং সষ্টেনেবল ওইবা মওংদা হিংগৎহনবদা মতেং পাঙনবা লৈবাক অসিগীদমক্তা ইন্টরনেসনেল সপোর্ট মোবিলাইজ তৌবগী ৱাফম খন্নখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল পার্টনরশিং অমসুং দিভলপমেন্ট পার্টনরশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবগীদমক্তা ফ্রান্সনা ঈচাও নঙলবা পাকিষ্টানগী মফমশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎপা অমদি রিহেব্লিটেসনগী থবক্তা মতেং পাঙবগী পান্দমগা লোয়ননা চহী অসি লোইদ্রিঙৈদা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

পিএম সেহবাস সারিফনা যু এন জি এগী নাকোয়ননা স্পেনগী মহাক্কী লেঙমান্নবা পেদ্রো সান্সেসকসু মীফম অমা চথখি। মীফম অদুদা সান্সেসনা লম কয়াগী ওইবা পাকিষ্টান অমসুং স্পেনগী মরীশিং মরু ওইনা সেক্যুরিটি অমসুং দিফেন্স কো ওপরেসন অমদি ইন্টর-পার্লিয়ামেন্টরি মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা চেৎশিলহনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ইনর্জি সেক্তর অমসুং লৈবাক অনীগী মীয়াম মশেলগী মরীশিং ফগৎহন্নবা বাই লেটরেল কোলাবোরেসন হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। সান্সেসনা পাকিষ্টান অসি ক্লাইমেট চেঞ্জনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা য়াবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু ৱারী শান্নবা অদুদা ফোঙদোকখি।

স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা রিহেব্লিটেসন অমসুং কন্সট্রক্সনগী থবকশিংদা শরুক য়াদুনা ঈচাওগী চৈথেং চাওনা নঙলবা পাকিষ্টানগী মীয়ামগী অৱাবশিং কোকহনবদা মতেং পাঙননবা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

# অনৌবা কোভিদ ৱেবকীদমক শেম শানবা য়ুরোপ পুম্বদা আপিল তৌখ্রে

হেগ, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): য়ুরোপতা কোভিদ ১৯ গী কেস মশিং হন্থরকপগী ফিভম উরবসু পেন্দামিক অসি হৌজিক লোইবা নত্তে হায়রদুনা য়ুরোপিয়ন মেদিসিন্স এজেন্সি (ই এম এ) না কন্টিনেন্ট অসিগী লৈবাকশিংদা অনৌবা কোভিদ ৱেব অমগীদমক শেম শানবা আপিল তৌখ্রে।

ই এম এগী হেল্থ থ্রেটস অমসুং ভেক্সিন ষ্ট্রেটেজিগী মকোক মার্কো কবালেরিনা হেগতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ুরোপতা কোভিদ ১৯ গী অপুনবা কেস মশিং অমদি লায়না অসিনা শিহল্লিবা মী মশিং হন্থরক্লি হায়বসি দেটানা উৎলে।

অদুম ওইনমক নিংথম থা চঙলকপগা লোয়ননা ঐখোয়না কোভিদ ইনফেক্সনগী অনৌবা ৱেব অমগীদমক শেম শাবা মথৌ তাই। ইয়ুগী হেল্থ ৱাটচদোক্কী হেদ অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মমাঙগী চহী অনীগী মতমদা মান্নবা সিনারিও ঐখোয়না উবা ফঙখি। অনৌবা কোভিদ ৱেব নিংথম থাগী মতমদা লাকখি অমসুং চহী অসিদসু মসিগী ট্রেন অসি অমুক হল্লকপা য়াবগী থাজবা লৈ। টোপ হেল্থ ওফিসল অসিনা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টশিং চেকশিন্না থিদোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ওমিক্রোন বি.৫ ভেরিএন্ট অসি হৌজিকসু মখা তানা য়ুরোপতা দোমিনেন্ট ভেরিএন্ট ওইনা মফম কয়াদা শন্দোক্তুনা লৈরি। ঐখোয়না অতৈ ভেরিএন্টশিংগীদমক্তসু মীকুপ নাহুমশিংবা চঙই। খুদম ওইনা বিএ.৪.৬ অসি যুএসতা য়াম্না থুনা শন্দোক্লি অমসুং ভেরিএন্ট অসিমক য়ুরোপতা থেংনরে। মসিদা নত্তনা বিএ.২.৭৫ ভেরিএন্ট অসিসু ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই।

ইএমএগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ষ্টেফেন থর্সঅপনা হায়খি, মদুদি কবেলরিগী প্রজেন্টেসন অসিদগী ঐখোয়না উবা ফংলিবসি য়ুরোপতা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না পেন্দামিক অসি হৌজিকসু লেপ্পা লৈত্রি হায়বসিনি। ইএমএগী হ্যুমেন মেদিসিন্স কম্মিটিনা কোভিদ ১৯গী ওরিজিনেল ষ্ট্রেন্টগী মথক্তা ওমিক্রোনগী সব ভেরিএন্টশিং হায়বদি বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ তা টার্গেট তৌদুনা এদাপ্টেদ ভেক্সিনশিং শীজিন্ননবগী ওথোরাইজেসন পীননবা রিকমেন্ট তৌখ্রে

# অল কাইদাগী টেররিষ্টশিং য়েমেনগী অবিয়ানদগী তকথোকখ্রে

সানা, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা খুৎ থোক্নরক্লবা মতুংদা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিংনা লানগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অসিগী খা থংবা প্রোভিন্স অবিয়ানদগী অল কাইদাগী টেররিষ্ট কয়া তকথোকখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ওফিসল অদুনা হায়, য়েমেন গভর্ণমেন্টগী শরুক অমা ওইরিবা সাউর্দন ট্রান্জিস্নেল কাউন্সিল (এসদিসি) গী মিলিটরি য়ুনিটশিংনা অবিয়ানগী তোঙান তোঙানবা চীংগী এরিয়াশিংদা লৈরিবা অল কাইদাগী লোৎফমশিং অমসুং পোজিসনশিংদা এটেক চথুদুনা টেররিষ্টশিং অসিগী মায়োক্তা খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিনখ্রে।

এসটিসিগী ট্রুপশিংনা চথরিবা টেরর ওপরেসন ট্রুপশিং অদু হৌজিক খুমাঙ চাওশিল্লি অমদি চাওরবা ওমরান ভেল্লি য়াওনা অবিয়ানদা লৈরিবা তোঙানবা ষ্ট্রোং হোল্ডশিংদা লৈরম্লিবা অল কাইদাগী মিলিটেন্টশিং মীশি মীনা নঙলবা টেররিষ্টশিং থাদোক্লম্লগা চেনখ্রে হায়খি।

# অফঘানিষ্টানগী বাগ্রম এয়র ফিল্ড শেমজিনবা হৌখ্রে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানগী টালিবাননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা হান্না যুএস মিলিটরি বেজ অমা ওইরম্বা বাগ্রম এয়র ফিল্ড মপুং ফানা মথৌ তৌহন্নবগীদমক্তা শেমজিন শাজিনবগী থবক হৌরে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী লিদরশিপকী ইন্সট্রক্সনগা চান্ননা ইঞ্জিনিয়ারিং টিম অমনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী বাগ্রম এয়রপোর্টপু শেমজিন শাজিনবা অমদি ফগৎহনবগী থবক হৌখ্রে। খোঙথাং অসিনা এয়রপোর্ট অসি মপুং ফানা মথৌ তৌবা ঙমহল্লগনি।

কেপিটেল কাবুলদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্না লৈবা এয়রপোর্ট অসি যুএসনা লুচিংবা নোংচুপলোমগী ফোর্সশিংনা অফঘানিষ্টানদা চহী ২০ লৈরকখিবদা মখোয়গী মরু ওইবা মিলিটরি বেজ ওইনা শীজিন্নখিবনি। কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অসিবু টালিবাননা অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌখিবনি। বাগ্রম এয়র ফিল্ড অসি নোংচুপলোমগী ফোর্সশিংনা টালিবানগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসনশিং প্লানিং তৌবদা শীজিন্নখি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ৩০ দা এয়রপোর্ট অসিবু থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা যুএস ট্রুপশিংনা এয়রপোর্ট অসিগী ফেসিলিটি পুম্নমক মাঙহন তাকহল্লমখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি ইঞ্জিনিয়ারিং টিম অদুনা মদুগী অৱৈবা রিছোর্সশিং শীজিন্নদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা বাগ্রম এয়রপোর্টপু নৌনা শেমজিন শাজিনবা অমদি ফিভম ফগৎহন্দুনা খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা শীজিন্নবা য়াহল্লগনি।

# শিন্দ প্রোভিন্সতা দেঙ্গিনা মীওই ২৭ শিহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): পাকিষ্টানদা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা কাঙনা থোকহনবা দেঙ্গি লায়নাগী লাইচৎ কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শিন্দ প্রোভিন্সতা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২৭ শিখ্রে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



এজেন্সিনা প্রোভিন্সিএল হেল্থ দিপার্টমেন্টগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি, মদুদি দেঙ্গিনা নাবদগী শিরিবশিং অদু করাচিদা লৈবশিংনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা শিন্দদা দেঙ্গীগী অনৌবা কেস ৩৫৩ রিপোর্ট তৌখি। সেপ্টেম্বরদা লায়না অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী মশিং ৩৫৯৪ য়ৌখ্রে অমদি চহী অসিগী অপুনবা পেসেন্ট মশিংনা ৬১৬৩ শুরে।

লোকেল হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না হায়রিবা মতম অসিদা খাইবর পাক্তুনখুৱা (কেপি) দসু লায়না অসিগী পেসেন্ট ২৮৪ দিটেক্ট তৌখি। কেপিগী এক্তিব কেস মশিং ১৭২৯ নি অমসুং চহী অসিগী ওইনা প্রোভিন্স অসিগী অপুনবা মশিং ৫২৬৪ শুরে।

চৈরকসিদা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লায়না অসিগী কেস ২১৫ থেংনবগী মনুংদা কেস ১০৫ দি লাহোরদা থেংনবনি অমসুং কেস ৫৪ না রাউল পিন্দি সিটিদা থেংনবনি। চহী অসিগী ওইনা প্রোভিন্স অসিদা থেংনরিবা অপুনবা কেস মশিং ৩৬৮৫ য়ৌরে। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা পাকিষ্টানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা অনৌবা কেস ১০৫ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী অপুনবা কেস মশিং ১৫৬১ য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা হোস্পিটালশিং হৌজিক দেঙ্গীগী কেস হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা প্রেসর চাওনা মায়োক্লরি।

করাচিদা লৈবা হোস্পিটাল খরদি মখোয়গী কোভিদ ১৯ ৱার্দশিং, দেঙ্গি পেসেন্টশিংগী লায়েংফম ওন্থোকখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

# যুক্রেনগী ক্রাইসিস দাইলোগ চথুদুনা ইংনা চিক্না লৈখায় তানবা চাইনানা আপিল তৌখ্রে



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ৱারী শান্নদুনা অমদি তাথোক তাশিন তৌদুনা ইংনা চিক্না ক্রাইসিস লৈখায় তাননবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা চাইনানা রসিয়া অমসুং যুক্রেন অনীমক্তা তকশিনখ্রে।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা রিজাবিস ৩০০,০০০ পার্সিএল মোবিলাইজেসন হৌরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা ন্যুক্লিয়র ব্লেক মেলগী থৌওং চথবগীদমক ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা চাইনানা লানদা চেন্নরিবা লৈবাক অনীমক্তা পুক্নিং ফাথনবা অমদি ক্রাইসিস ইংনা চিক্না লৈখায় তান্ননবা ৱারী শান্ননবা তকশিনখিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিগ্যুলর ব্রিফিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোকস্ পার্সন ৱাং ৱেন বিননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি যুক্রেনগী ক্রাইসিস ইংনা চিক্না লৈখায় তানবা হোৎনরিবা পুম্বা ঐখোয়না শৌগৎকদবনি। করিগুম্বা রসিয়াগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শোক্লক্কদবা মওংদা অকিবা পীরকপা তারবদি মোস্কোনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগীদমক অৱৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নগনি অমসুং মসি পঙহায় হায়জিনবা নত্তে হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা টেলিভাইস স্পিচতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা রেস্পোন্দ তৌনবা হায়বদা ৱাংনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা রিজাবিস লিশিং চা কয়া লানগীদমক্তা শেম শানবা খঙহনখিবা অসিনা যুক্রেননা অকনবা কাউন্টর ওফেন্সিব চথরক্লিঙৈ মরকসিদা লান অদু হেন্না কনশিল্লহল্লকনি হায়না থাজনরিবনি।

রসিয়াগী অচেৎপা মীচং ওইরিবা বৈজিংনা অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মরী লৈনবশিংনা পুক্নিং ফাথনবা অমদি ৱারী শান্ননবা আপিল তৌরিবনি। ৱাংনা হায়, ঐখোয়না মরী লৈনবা পার্টিশিংদা ইস্যু অসি দাইলোগ অমসুং নিগোসিএসনগী খুথাংদা লৈখায় তাথোক্লবা অমদি লিজিটিমেট সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিংদা চেন্নরিবা পার্টি খুদিংমক য়াওহল্লগা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা আপিল তৌরি। ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনসু অসিগুম্বা ফিভম লাকহনবদা মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF SPECIAL JUDGE (ND&PS) (FTC), MANIPUR AT CHEIRAP COURT COMPLEX

ANNEXURE - I

Schedule 1 VIII, Form No. 100
High Court Criminal Process No. 4

CASE NO. :- SPECIAL TRIAL NO. 102 OF 2022
FIR No. 423(6) 1987 Imphal-PS
U/S 21 ND & PS Act.

PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF THE ACCUSED
(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

1) Name, Description and address of the accused:

Mr. T. Ngamthang Haokip (24), now aged about 59 years, S/o Ngamkhujang of Khonouphai, P.S. Saikul, KPI Dist., Manipur

2) Name of the accused :

T. Ngamthang Haokip

3) Place :
Imphal,
The 8th Sept, 2022

Whereas complaint has been before me that **Mr. T. Ngamthang Haokip** has comitted the offence punishable Under Section **21 ND & PS Act (FIR. No. 423 (6) 1987 Imphal-PS)** and it has been returned to a Warrant of arrest thereupon stating that T. Ngamthang Haokip cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said T. Ngamthang Haokip has absconded to avoid the execution of the said warrant.

Proclamation is thereby made that the said **T. Ngamthang Haokip** is required to appear before this Court to answer the said complaint on the **29th day of October, 2022**.

Sd/-
Alek Muivah
Special Judge (ND & PS) (FTC), Manipur

HL-P/3855/21,22

MANIPUR UNIVERSITY
(A Central University Accredited Grade 'A' by NAAC)
CANCHIPUR : IMPHAL

/ ADMISSION NOTICE/359

Dated, the 20th September, 2022

**No. MU/3-76/CUET/ADM/Aca/22:** Online applications are invited from the CUET (UG) appeared candidates for admission into the following courses for the academic session 2022-23

1. B.Voc. in Food Processing and Quality Management
2. B.Voc. in Retail Management & Foreign Trade
3. B.Voc in Tourism & Hospitality Management
4. B.A. (Hons) Korean
5. B.A. Dance
6. B.A. Hindustani Music

Applications form will be available online at www.manipuruniv.ac.in. Application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS and Rs. 200/- for ST/SC/PWD candidates will be paid online

IMPORTANT DATE LINES

| | |
|---|---|
| Start of online submission | 22-09-2022 |
| Lase Date for online submission | 06-10-2022 |

For counselling, the students are requested to visit the website or cantact the Director/Head of Department

Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh
Deputy Registrar (Aca)

HL-B/7841/22,23